# অহুমশুবা সঙাই ভেটেরান ফুটবোল ট্রোফি ২০১৯
## এ ৱাই ভি এফ এ অমদি আই ই ভি এফ এ মায় পাকখ্রে




ইম্ফাল,এপ্রিল ০৩ঃ
যুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসন মণিপুরনা শিন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা টিম ১৮ না গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা মমাঙ থা ৩১ দগী চথরকপা ৩ শুবা সঙাই ট্রোফি ভেটারন ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০১৯ ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ–সিগী মেটচশিংদা এ ৱাই ভি এফ এ য়াইরিপোক অমদি আই ই ভি এফ এ সলানথোং মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফংন্নখ্রে।

চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা এ ৱাই ভি এফ এ য়াইরিপোকনা এফ ভি এফ এ উয়ুম্পোকপু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা এ ৱাই ভি এফ এ য়াইরিপোকনা অঙনবা মিনটশিংদগী বোল হেনা পায়রগা শান্দুনা এফ ভি এফ এ উয়ুম্পোকগী মায়কৈদা এটেক চথদুনা প্রেসর পীশিনখি।

টিম অসিনা গোল একাউন্ট হাঙবা ঙমদনা লাকখিবদু মিনট ২০ চৎপদা জর্সি নম্বর ১২ এন জয়েন্তানা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা টিমদা থৌনা হাপকৎখি।

থংন্নবা মিনট ২১ দা এ ৱাই ভি এফ এনা চথরকপা এটেক অমদা টিম অসিগী এন জয়েন্তনা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফ মমাঙদা এফ ভি এফ এনা গোল হন্দোক্লবা হোৎন্নরবসু ঙমদবদগী জয়েন্তাগী গোলশিং অদুনা এ ৱাই ভি এফ এনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপগী মিনট ৩৪ চৎপদা এ ৱাই ভি এফ এগী জর্সি নম্বর ১৭ দব্লিউ তোম্বনা টিমগী অহুমশুবা গোল চন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকবগী য়ুম্ফম অদু থোনখি।

৭শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা আই ই ভি এফ এ সলানথোংনা জে এফ এম পার্টসোইবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিগী হৌরকপা মিনট ৩ চৎকপদা আই ই ভি এফ এগী জর্সি নম্বর ১১ টি ঐচ দিল্লিপনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফকী অপীবা মিনট লোয়রমদাইদা আই ই ভি এফ এগী জর্সি নম্বর ৯ না জে এফ এমগী জর্সি নম্বর ১০ দা বোক্স মনুংদা ফাউল তৌবগীদমক পেনালটি অমা ফংখি।

পেনালটি অদু জে এফ এমগী জর্সি নম্বর ৩ কে ঐচ হেমোনা মিনট ৩২ দা গোলদা ওন্থোক্তুনা অহানবা হাল্ফ লোয়রা ফাওবা ১–১ দা লৈন্নখি।

অনীশুবা হাল্ফতা আই ই ভি এফ এনা অনৌবা লাংলোন শিজিন্নরক্তুনা মায় পাক্লবা হোৎন্দুনা এটেক হেঞ্জিলকখি।

মদুগী মহৈ ফংদুনা মিনট ৫৪ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১৯ এন সঞ্জোয়না শাফু কন্না কাওশিনখিবা বোল অদু নেট মনুংদা চঙখিদুনা ২–১ দা মাঙজিল থারগা মেটচ অসিগী মায় পাকপগী গোল অদু চনখি।

মেটচ অসিদা আই ই ভি এফ এগী ৱাই তোনি অমদি জে এফ এমগী ঐচ নোবিন্দা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

হয়েংগী অহানবা মেটচতা ভি এস এ সোরা অমদি এফ সি ইম্ফালনা নুংথিল পুং ২ তবদা শান্নগনি। অদুগা অনীশুবা মেটচ ওইনা সঙাই এফ সি থাংমৈবন্দ অমদি ভি এস এ সি চুড়চান্দপুরনা নুংথিল পুং ৩.৩০ তবদা শান্নগনি।

# অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল পি টি সি সি ফুটবোল টুর্নামেন্ট
## লনচেনবি এফ সি অমদি এ২ পার্টসোই ফাইনেল শান্নরগনি




ইম্ফাল,এপ্রিল ০৩ঃ
পার্টসোই তুলিয়াইমা সেঞ্চুরি ক্লবনা শিন্দুনা পার্টসোই পার্ট–৩ ফুটবোল গ্রাউন্দা টিম ২১ না গ্রুপ ৭ থোক্লা খাইদোক্তুনা মমাঙ থা ১৮ দগী চথরকপা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল ৭ এ–সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ফাইনেলদা লনচেনবি এফ সি তবুংখোক অমদি এ২ পার্টসোইগা শান্নরগনি।

চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা লনচেনবি এফ সি তবুংখোকনা পি টি সি সি (এ) পার্টসোইবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

মেটচ অসিগী অঙনবা মিনটশিংদগী টিম অনীনা লম্বা চনা শান্দুনা মাগী–মাগী এটেক্কিং এরিয়াশিংদা লেপ্পা লৈত্তনা এটেক চথন্দুনা প্রেসর পীশিনখ্রবসু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্নদনা লৈখি।

মেটচকী মিনট ২০ চৎপদা লনচেনবি এফ সি তবুংখোকনা চথরকপা এটেক্তা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৫ নোরেননা পি টি সি সি (এ)গী শান্নরোশিংগী অহোবগী তঞ্জা লৌরগা গোলদা ওন্থোক্তুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

নোরেনগী গোল অসিনা মরম ওইরগা মহাক্কী টিমদা থৌনা হাপকৎত্তুনা অহানবা গোল চনখ্রবা মতুং মিনট ৩ কান্নরগা মিনট ২৩ দা জর্সি নম্বর ৩ মহেসনা টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

পি টি সি সি(এ)না শোথরিবা গোল অদু হন্দোক্লবা হোৎন্নরবসু লনচেনবি এফ সিনা দিফেন্স শান্নখিবদগী গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদবদগী নোরেন অমদি মহেসকী গোলনা লনচেনবি এফ সিবু মায় পাক্তুনা ফাইনেল তম্না পুশিনখি।

মেটচ অসিদা লনচেনবি এফ সিগী মহেস অমদি পি টি সি সি(এ)গী চিংখৈদা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা এ২ পার্টসোইনা আর এফ সি খম্নাং লৈরকপু য়াম লাকচনা গোল ৬–১ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

মেটচ অসিগী হৌরকপা মিনট ৫ দা আর এফ সিগী জর্সি নম্বর ৫ প্রামেশ্বোরনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখ্রবসু মিনট ৪ কান্নরগা মিনট ৯ চৎপদা এ২ পার্টসোইগী জর্সি নম্বর ১১ ইমারমনা গোল হন্দোক্তুনা মেটচ অসিগী লমজেলদা অমুক য়াওশিন্নবা হোৎন্নখি।

অহানবা হাল্ফকী অপীবা মিনট লোয়রমদাই ২২ দা এ২ পার্টসোইগী জর্সি নম্বর ৮ গোপিনা অনীশুবা গোল চন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাদুনা অহানবা হাল্ফ লোয়শিনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ২৮ চৎপদা ইমারমনা মহাক্কী ২ শুবা অমদি টিমগী অহুমশুবা গোল চনলগা ৩–১ দা মাঙজিল থাখি। মিনট ৪৪ চৎপদা ইমারমনা মেটচ অসিদা মহাক্কী ৩শুবা গোল চন্দুনা ৪–১ দা লৈখি।

অতোপ্পা অনীশুবা হাল্ফকী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৪ য়াসিরনা মিনট ৪৮ অমদি জর্সি নম্বর ২ প্রাবিননা মেটচকী অহাপ্পা মিনট ২ দা গোল অমমম চন্দুনা পুন্না এ২ পার্টসোইনা গোল ৬ চনলাগা মেটচ অসি মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙখি।

# অনীশুবা ইন্টর–ভিলেজ ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯
## ঐচ ভি এ অমদি য়ু সি এল মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল,এপ্রিল ০৩ঃ
ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা উচিৱা ষ্টুদেন্ট ৱেলফিয়ার ক্লব (য়ু এস দব্লিউ সি) উচিৱানা শিন্দুনা য়ু এস দব্লিউ সি গ্রাউন্দা থা অসিগী ১ দগী টিম ১৪ না গ্রুপ–৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরকপা অনীশুবা ইন্টর–ভিলেজ ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা য়ু সি এল লাইফ্রাকপমনা বি এস দি এ বেঙ্গুনবু সেট ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা য়ু সি এল না পোইন্ট ২৫–১৫,২৫–১৬,২৫–১৪ স্কোর তৌখি।

অনীশুবা মেটচতনা য়ু এস দব্লিউ সি (এ) উচিৱানা এ দি সি ফাবাকচাউবু সেট ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা য়ু এস দব্লিউ সি (এ)না ২৫–১৭,২৫–২৩,২৬–২৪ স্কোর তৌখি।

অহুমশুবা মেটচতনা ঐচ ভি এ হৈক্রুজমনা য়ু এস দব্লিউ সি (বি) উচিৱাবু সেট ৩–০ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা ঐচ ভি এনা পোইন্ট ২৬–২৪,২৫–১৭,২৫–১৯ স্কোর তৌখি।

ঙসিগী মরিশুবা মেটচতা শান্নখিবদা ঐচ ভি এ হৈক্রুজমনা এম আই কে ঐচ ৱাই এ ময়াং ইম্ফালবু সেট ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা ঐচ ভি এনা পোইন্ট ২৬–২৪,২৫–১৭,২৫–১৬ স্কোর তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা মঙাশুবা মেটচতনা এম আই কে ঐচ ৱাই এ ময়াং ইম্ফালনা য়ু এস দব্লিউ সি (বি) উচিৱাবু সেট ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা এম আই কে ঐচ ৱাই এ না পোইন্ট ২৪–২৬,২৫–১৯,২৫–১৯,২৫–১৭ স্কোর তৌখি।

এ দি সি ফুবাকচাউ অমদি এস ৱাই সি সাতুদাইনা শান্নগদবা মেটচতা এস ৱাই সি শান্নবা লাক্তবদগী এ দি সিনা ৱাক ওভর ফংখ্রে।

এম ৱাই এম ময়াং ইম্ফাল অমদি বি এস দি এ বেঙ্গুননা শান্নগদবা মেটচতা বি এস দি এ শান্নবা লাক্তাবদগী এম ৱাই এম না ৱাক ওভর ফংখ্রে

# তরুকশুবা লম্লাই অন্দ্রো কেন্দ্রা ফুটবোল টুর্নামেন্ট
## বি এস য়ু (এ) নোংপোক কাকচিং সেমি ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ঃ
ব্রাইট ষ্টার য়ুনিয়ন নোংপোক কাকচিংনা শিন্দুনা মমাঙ থাগী ২৬ তগী ইবুধৌ খমলাংবা লম্পাক্তা টিম ২০ না গ্রুপ ৭ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরকপা ৬শুবা লম্লাই অন্দ্রো কেন্দ্রা ভিলেজ ৱাইস ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি নুংথিল শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা বি এস য়ু (এ) নোংপোক কাকচিংনা ও এন ৱাই সি,ও কে এস য়ু নিংথেমচা খুলবু গোল ৩–২ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল চঙখিবা অহানবা টিম ওইখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা বি এস য়ু (এ) নোংপোক কাকচিংনা ও এন ৱাই সিবু লাকশিন্না শান্দুনা অঙনবা মিনটশিংদগী গোল একাউন্ট হাঙনবা হোৎন্দুনা প্রেসর পীশিনখি।

মদুগী হোনজমন ফংদুনা মিনট ১২ চপিদা বি এস য়ু (এ)গী জর্সি নম্বর ১৫ সি ঐচ লেম্বনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

থংন্নবা মিনট ১৩ দা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৯ ৱাই গোবিননা অনীশুবা গোল চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

গোথরিবা গোলশিং অদু ও এন ৱাই সিনা হাল্ফ মমাঙদা হন্দোক্লবা হোৎন্নরক্তুনা এটেক হেঞ্জিলকখি।

মেটচকী মিনট ২৩ চৎপদা ও এন ৱাই সিগী জর্সি নম্বর ৮ ৱাই ননাওচানা গোল হন্দোক্তুনা ২–১ দা লৈখি।

গোল হন্দোক্লবা মতুং মিনট ২ কান্নরগা মিনট ২৫ চৎপদা ও এন ৱাই সিগী জর্সি নম্বর ১০ এম নোংশাবানা গোল অমগা হাপচিন্দুনা ২–২ দা লৈদুনা অহানবা হাল্ফ লোয়শিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা বি এস য়ু (এ)না মায় পাক্লবা হোৎন্নরক্তুনা অনৌবা লাংলোন শিগিন্নরকখি। মদুগী মহৈ ফংদুনা মিনট ৪১ চৎপদা জর্সি নম্বর ৮ সি ঐচ দয়ানা মেটচ অসিগী মায় পাকপগী গোল অদু চন্দুনা ৩–২ দা লৈখি। মেটচ অসিদা বি এস য়ু(এ) গী সি ঐচ দয়াদা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা ঙসি অয়ুকী শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ও এফ এ পুদোংবমনা এম ৱাই সি মোইরাং পুরেলবু গোল ৭–২ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাহৈনেল চঙখ্রে।

মায় পাক্লবা ও এফ এগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১২ বিনোদখনানা মিনট ৯,৩৮ দা গোল অনী,জর্সি নম্বর ১০ বিজুনা মিনট ১৬,৪২ দা গোল অনী অমদুগা অতোপ্পা গোল অহুম অদুনা জর্সি নম্বর ৯ ধানরাজনা মিনট ১২,জর্সি নম্বর ৬ রতননা মিনট ৩০ অমদি জর্সি নম্বর ৮ রোহিটনা মিনট ৪৮ দা গোলশিং অদু চনখি।

মায়থিরবা এম ৱাই সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৬ পোইরৈতোননা মিনট ৪৯ দা আউল গোল,জর্সি নম্বর ১৫ সোমোরজিৎ অমদি জর্সি নম্বর ১২ কে রোনালদোনা মিনট ৪৩দা চনখি।

৮শুবা প্রি–ক্বার্টর ওইনা শান্নখিবা অয়ুক্কী অনীশুবা মেটচতা এ এস এস এ সঞ্জেবমনা এফ সি লম্লাইবু গোল ৪–২ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

মায় পাক্লবা এ এস এস এগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ এম ক্লিনতনা মিনট ১২,জর্সি নম্বর ১০ এল বোবোথোইনা মিনট ১৩,জর্সি নম্বর ৩৩ এম রোজরনা মিনট ১৯ অমদি জর্সি নম্বর ৩ সনাজাওবনা মিনট ৫০ দা চনখি।

মায়থিরবা এফ সি লম্লাইগী গোলশিং অদুনা কে ঐচ অর্মজিৎনা মিনট ২৮ অমদি কে ঐচ অনোসনা মিনট ৩২ দা চনখি।

হয়েংগী অহানবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা সেক্তা (বি) অমদি ৱাই এফ সি হুইকপগা শান্নগনি। অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদনা ৫ ব্রাদরস অমদি ও এফ এগা শান্নগনি। অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদনা ই য়ু এস সি অমদি এ এস এস এগা শান্নগনি।

# অহানবা মাইচোন ট্রোফি ২০১৯
## বোলেরো এফ সি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল,এপ্রিল ০৩ঃ
মণিপুর ইমাগী চাঙদম্নাফম ওইবা নচাশিং (মাইচোন) চরাংপাট মমাঙ লৈকাইনা শিন্দুনা মমাঙ থাগী ২৯ দগী টিম ১২ না গ্রুপ ৪ থোকনা খাইদোক্তুনা চরাংপাট মমাঙ লৈকাই পোলো গ্রাউন্দা চথরকপা অহানবা মাইচোন ট্রোফি ২০১৯ ৭–এ সাইদ ষ্টেট লেভেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ–বিগী মেটচতা বোলেরো এফ সি শিংজমৈনা মাইচোন এফ সি (বি) চরাংপাৎবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসি হৌরকপদগী বোলেরো এফ সি শিংজমৈনা বোল হেন্না পায়রগা মাইচোন এফ সি (বি) বু লাকশিন্না শান্দুনা প্রেসর পীশিনখি।

মদুগী মহৈ ফংদুনা মিনট ১৭ চৎপদা বোলেরো এফ সি শিংজমৈগী জর্সি নম্বর ৭ ফালগুনিনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফ ফাওবা মাইচোন এফ সি (বি)না গোল হন্দোকপা ঙমদনা লৈদুনা ফালগুনিগী গোল অসিনা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৩৫ চপিদা মাইচোন এফ সি (বি)গী জর্সি নম্বর ৫ বিক্রমজিৎনা গোল হন্দোক্তুনা ১–১ দা লৈখি।

অদুবু বোলেরো এফ সি গী জর্সি নম্বর ৪ জিতেশ্বোরনা মিনট ৪৭ অমদি ৫৫ দা গোল অনী হাপচিন্দুনা মেটচ অসি ৩–১ দা মায় পাকখি।

হয়েংগী অহানবা মেটচতা ইনিদভর এফ সি অমদি তোলহৈ এফ সিগা শান্নগনি। অনীশুবা মেটচতনা মৈরা এফ সি অমদি এন ই এস এ এফ সিগা শান্নগনি।

# এল সি এল মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ০৩ঃ
ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা কাচি খুল য়ুঠ লাইব্রেরি এন্দ স্পোর্টিং ক্লবনা শিন্দুনা মমাঙ থা ৩১ দগী টিম ১২ না গ্রুপ–৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা কে ৱাই এল এস সি গ্রাউন্দ কাচি খুলদা চথরিবা ৩শুবা ইন্টর ভিলেজ লেভেল বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এল সি এলনা ৱাই ভি এবু সেট ৩–১ (২৫–১৪,২৫–১২,২৫–১৬)দা মায়থিবা পীখি।

অনীশুবা মেটচতনা এল সি ৱাই সিনা পি আর এস সিবু সেট ৩–২ (১৫–২৫,২২–২৫,২৫–১৮,২৫–২১,১৫–১২)দা মায়থিবা পীখি।

অহুমশুবা মেটচ ওইনা কে ৱাই এল এস সি অমদি এস ৱাই সিগা শান্নগদবা মেটচতা এস ৱাই সি শান্নবা লাক্তবদগী কে ৱাই এল এস সিনা ৱাক ওভর ফংখ্রে।

# ষ্টেটকী মেদল লৌরকখ্রবা বোদি বিল্ডরশিং পূক্নিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ঃ
ইন্দিয়ান বোদি বিল্ডর ফেদরেসননা শিন্দুনা তামিল নাদুগী চেন্নাইদা পাঙথোকখিবা ১২ শুবা সেনিয়ার মিষ্টর ইন্দিয়া ২০১৯,নেসনেল বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপতা ষ্টেটকী মেদল লৌরকখিবা অমদি শরুক য়ারুবা শান্নরোইশিংদা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর এসোসিয়েসন (এ এম বি বি এ)না শিন্দুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে।

পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মণিপুরনা গোল্ড মেদল ২ অমদি সিলভর মেদল ১ পুন্না মেদল ৩ লৌরকখি।

গোল্ড মেদলশিং অদু মেন্স বোদি বিল্ডিংদা এল নেতা সিংহনা কেজি ৫৫তা অমদি আই দেবনা কেজি ৮৫ দা লৌখি।

সিলভর মেদল অদুনা মেন্স বোদি বিল্ডিংদা এল দিনেস সিংহনা কেজি ৭৫ দা লৌখিবনি।

ষ্টেটকী টিম অদু এন রতন সিংহ প্রসিদেন্ট এ এম বি বি এনা মেনেজর অমদি এন কিসন জেইন্ট সেক্রেটরি এ এম বি বি এনা কোচ ওইনা লুচিংখিবনি।







Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com